# নুঙগী যুগ (চক) হায়বদু অসুম তৌরিদ্রা?

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —

সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট

dr.smanikanta@gmail.com



অঙাং ওইরিঙৈ ক্লাস সিক্স/সভেন তম্বা মতমদা হ্যুমেন সিভিলাইজেশনগী মরমদা তমখিবা, পাখিবা ময়াম অদু নীংশিংলকই। মীওইবনা অঈং-অশা, নোংজু-নুংশা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা শুরুংদা লৈবা, উমং-ৱামংদা উহৈ-ৱাহৈ অফং-অফংবা চাদুনা হিংনবা হোৎনবা, মদুদগী হেন্দোক্তুনা শা-ঙা ফাদুনা হিংনা চাবা, শা-কৈদগী ঙাকথোক্লবা শা-লানগী থৌওং কয়া অদু পারুবদা অকিবা পোকখি। মীওইবা কাঙলূপ-কাঙলূপ মফম কয়াদা খুন্দাদুনা ফূরুপ/কাঙলূপকী ওইবা ৱাখল অমদা হিংমিন্নবা হৌরকখি। অতোপ্পা ফূরুপ/কাঙলূপ কয়াগা লান তৌনদুনা মাগী-মাগী ফূরুপ অদুখক্কী ওইবা ৱাখল্লোন অমদা হিংনবা হোৎনরকখি। মখোয় মখোয়গী ফূরুপ অদুখক্কী খনবদা মীনুংশি পোক্তে, হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন চেন্দে। মুন্দুনা চাগনি, নম্ফুদা মীগী ময়ূম-মকৈ মখোয়গী ওইশিনগনি। শাহিং চাবা শাগুম মতম শাংনা পূন্সি লেন্দুনা চীংনুং মানুংদা হিংদুনা লৈখিবা মীওই কাঙলূপশিং অদু ঙসিসু লৈরমখিগদ্রা। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা পাখিবা, তমখিবা নুঙগী যুগ (চক) কী পূন্সি মহিং অদু হৌজিক ঐখোয়গী লমদম অসিদসু থোকপগুম তৌরি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপশিংগী মনুংদা মীগী ৱাখল চেন্দবা, শারমচৎ চৎপা, হ্যুমেন দিগ্নিটি য়াওদ্রবা, নুপী ওইবী কয়ানা খুদোংচাবা খরগীদমক ময়াং সিফাইদা মশাগী শাদোং শিন্নথোকপা, মীনুংশি লৈতনা হাৎপা-তুপ্পা, ফোইবা-মুনবনা মখোয়গী মরমচৎ ওইবা মীওই কাঙলূপ খরসু ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈরব্রা?

চহী ৩ হেল্লবা ঈরাং অসিদা মীওই কয়া মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীখ্রে। মীওই কয়া তমথীনা ওৎ নৈবিখ্রে। নুপী কয়াবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রে। নুপী অঙাং অহল থিদনা মীহাৎ থীনা হাৎপীখ্রে। তাবদা তুজুংবা থৌদোক অমা হায়বা তারবদি জিরিবামদা অঙাং অহুম, নুপী অহুম ফাদুনা পুখ্রগা ওৎ নৈরবা মতুংদা তমথীনা হাৎতোকপীখিবা অদুনি। শাদগী হেন্না তমথীবা, মীওইবগী ৱাখল চেন্দবা, মীনুংশি লৈতবা মখোয়শিং অদুবু করম্বা প্লানেটতগী লাকপনো? মীওই ৩০ হেনবনা থিবা খঙদনা লৈরি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা দেথ সর্টিফিকেট পীবিরো, হৌনবী মথৌ মঙম পাঙথোকচরগে হায়দুনা লৈঙাক্তা ৱাকৎলি। ৫৭-মাউন্টেন দিভিজন, লৈমখোঙদা থবক তৌবা কমল বাবু হায় সিক্যুরিটি জোন মনুংদা চঙখিবদগী ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি। ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদৌরিবা ইন্দিয়ন আর্মি, সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজনীংঙাই ওইরিব্রা? কামজোং দিষ্ট্রিক্তকী জেদ চোরো, ৱাংলি, নমলি খুঙ্গং অহুম মৈ তুম্না থাদোকপীখ্রে। মফম অদু অসাম রাইফলসনা ঙাক শেল্লিবা মফমনি। থাগৎনীংঙাইনি অসাম রাইফলস। চর্চ লীদর ৩ হাংখিবা থৌদোক্তা মরী লৈননা ফাজিনখিবা নাগা মীচম ৬ থিবা খঙদনা লৈরি। শিরমগনি থাজনরি। এফ সী আইগী চেঙ পুদুনা চৎখিবা ত্রক দ্রাইভর অমা টি এম কসোমদা মিলিটেন্টশিংগী এম্বুশতা লৈখিদ্রে। হান্নসু হায়রিবা মফম অসিদা তাঞ্খুল মীচম অনী কুকিশিংগী এম্বুশতা লৈখিদ্রবনি।

মীওইবা ঐখোয়না তৌরিবা অমদি চৎলিবা শাজৎ, খল্লিবা ৱাখল, তৌথোরকপা থবক, ঙাঙলিবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ পূম্নমক অসিগী মরুমদা অপেনবা, নুংঙাইবা, চাওথোকচবা লোয়নরবদি থৌওং অদু মখা চত্থদুনা লৈনীংই। কুকি-জো কাঙবুশিংনা য়েলহৌমীশিংদা য়ৈখাইবা, থিনগাইবা, খৎনবা হৌবা, লম খোপচিনবা, মখোয়গী ওইবা টেরিটরি অমা শেম্নবা অমসুং লৈঙাক অমা লৈনবা হোৎনরকই। হান্না লৈরম্বা য়েলহৌমী কয়া ময়ূম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমদা হোংখিরম্মী। অসুম্না তৌবসিদা মখোয়দা নাপল অমা ফাওই। মে ৪,২০২৩দা থোকখিবা কুকি নুপী অনীখক ফি থোংদনা মীয়াম মমাঙদা খোঙ্গোইনখি হায়বগীদমক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎতুনা চৈরাক পীখি। মতমদুগী মণিপুরগী গভর্ণরনা চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা নুপীমচা অনীদুগী ইমুংগী মীওইশিংদা অচৌবা শেনফম খূৎশিন্নবগী থৌদোক লৈখি। অদুবু জিরিবামদা অঙাং ৩, নুপী ৩ কুকিশিংনা তমথীনা হাৎতোকপীখিবা থৌদোক অদুদদি প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোকপা লৈখিদে। চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীবা লৈত্রি। তম্পাক লমগী অকোয়বদা বফর জোন থমজিন্দুনা য়েলহৌমীদা তত্তনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা খৎনবা হৌই। সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিং উদ-তাদবগুম লৈথোকই। কুকিশিংনা তৌনীংবা তৌবদা থিংবীনবা লৈতে। লৌরোক মতমদা নোংমৈ কাপশিনগনি। মীচম মীয়াম কায়দুনা চেনগনি। মসিদা কুকিশিংনা নুংঙাইজে। বোম কাপশিন্দুনা মীশি-মীনা নংহনগনি। মখোয়না হরাওজগনি। য়েলহৌমী ঐখোয়গী য়ূম মৈ থাদুনা লান্দাগনি। য়ূম থাদোক্তুনা চেনগনি। মসিদা কুকিশিংগী অপেনবা হায়বদু ওই। কুকিশিংনা য়েলহৌমী ঐখোয়দা লান্দাবা খুদিং ইনোৎ অমা হাপ্পগুম থোকই। মসিমক পোজিটিভ রিইনফোর্সমেন্টগী থৌওং ঙাক্তনি। চীংগী এদমিনিষ্ট্রেশনদনা হোম মিনিষ্টরনা পুগনি অদুগা তম্পাক্কীনা চীফ মিনিষ্টরনা পুগনি হায়খিবা ৱাফম অদুমকসু কুকিশিংদা পীবা থৌনা (ষ্টিমুলস) অমনি। মরম অসিনা কুকিশিংনা চত্থরিবা থৌওং হেন্না শাথীবা মওংদা চত্থরকখিগনি।

পোজিটিভ রিইনফোর্সমেন্টকী থৌওং অমা কুকিশিংদা লৈরিবসি মতৌ করম্না ওইরকখিবনো? মণিপুর নেচরেল রিছোর্স থন্না লৈবা লমদম অমনি। পেট্রোল, নেচরেল গ্যাস, মিনরেলস অমসুং উমংগী পোত্থোক মরাং কায়না লৈ। লমদম অসিগী ফজবা, মহৌশাগী শক্তম অসি ঙাক্লবা হোৎনরিবা অসি য়েলহৌমী ঐখোয়সিনি। মসিমক ইন্দিয়া লৈঙাক্তদি অচৌবা শীংনবা অমনি। লমদম অসিদা ফংলিবা মিনরেলশিং অসি মালেমগী কৈথেলদা খ্বাইদগী তাঙবা পোত্থোক ওইগদৌরিবনি। মসিবু মিকাবা হায়বসি হৌনশানি। মতৌ করম্না নেচরেল রিছোর্সশিং অসি লৌথোক্লবা হোৎনসিগে হায়বসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মশিন ওইরম্মী। মরম অসিনা খুরৌ চেনগদবা য়েলহৌমী ঐখোয়বু নমথনবা, মুত্থৎনবা হোৎনরকই। ম্যান্মারদা খূৎলিংবা লালহৌলূপ খরগা 'সূ' চৎনদুনা মখোয়গী ওইবা লাম্নী শেমগৎপা হৌরকই অমসুং য়েলহৌমীশিংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা প্রোক্সি ৱারগী লাল্লোং চত্থরকই। অসুম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রোক্সি আর্মি ওইরিবা কুকি লালহৌবশিংদা মখল মখা কয়াগী খূৎলায় অমসুং ট্রেনিং পীবা হৌরকই। মণিপুরদগী পেট্রোল, নেচরেল গ্যাস, মিনরেলস লৌথোক্লবা হোৎনবদা উমং কোকথোক্তুনা পোপি পাম্বী থাবা হৌরকই। দ্রগ লল্লোনবগী থবক চত্থরকই। অচৌবা শেনফম কয়া খোমগৎলি। মসিদা কুকিশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌই। মতুং তারকপদা পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরশিপ (পি পি পি) মোদেলদা শেঞ্জাও পায়বা খরগা মান্নরগা মণিপুরদগী নেচরেল রিছোর্স ময়াম অসি লৌথোক্লবা হোৎনরকপা য়াই। অদানি/অম্বানি/অমিট/দামোদরনচিংবা শেঞ্জাও পায়বা মীওই খরগী ইন্টরেষ্টতা য়েলহৌমী ঐখোয় মুৎখিবা য়ানা লৈ।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা কুকিশিং শীজিন্নদুনা প্রোক্সি ৱার চত্থরে হায়বসিদি মীয়াম্না ঙাঙনদুনা লাক্লবা ৱাফম্নি। মসিদা থোয়না চিংননীংঙাই ওইদ্রে। ঐখোয়না তত্তনা হংলিবা ৱাহং অমদি ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈরিবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং, মীয়ামগী মীহুৎ অমসুং লৈঙাক পায়রিবা ফম্নাইবশিং ঙসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা প্রোক্সি লাম্নী ওইনা শীজিন্নরব্রা? কুকিশিংনা চত্থরকপা মীওৎ-মীনৈগী থৌওংশিংদা মণিপুর লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈবা মানবা থৌওং কয়া উবা ফংই। খুদম ওইনা ত্রোংলাওবী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়রবসু করিসু তৌবা উখিদে। চিংনবা মীওই অহুম ফারে হায়দুনা ঈরাং নেমথনবা হোৎনবা মানবা থৌওং ঐখোয়না উবা ফংখি। সী আর পি এফ কেম্পতগী কাপথোরকপা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা মীচম অহুম শিখিবা থৌদোক ইনক্কারি তৌদুনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা হোৎনবা লৈখিদে। এফ সী আইগী ত্রক দ্রাইভর অমা লৈখিদবা থৌদোক অদুসু কন্দেম তৌই হায়বা নত্তনা অতৈ করি এক্সন (থবক) লৌখৎপা লৈখ্রবগে? অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসি প্রসিদেন্টস রুল মনুংদসু অদুমঙাই। মসিদবু কুকিশিংনা তৌনীংবতা তৌবা তাবনি।

লমদম অসিদা লৈরিবা য়েলহৌমী ঐখোয় পূনশিন্দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌনীংবতা তৌবা য়াদে হায়বসি খঙহনবা মতম ওইরে। মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা ফম্নাইবশিং ৱাখল খন্থবা ফগনি। ঐখোয়গী মীহুৎশিং মীৎকপ থোকপা মতম ওইরে। লমদম অসিদগী য়েলহৌমী মুৎখিবা য়ানা লৈরে। মণিপুর ইন্দিয়া লৈঙাক্কী শেঞ্জাও পায়বা মীওই খরগী খূৎতা তাখিদুনা ইন্দষ্ট্রিএল ইষ্টেট অমা ওইখিবা শোয়দ্রবনি। মসি থোক্তনবা চেকশিনবা ফৈ। ●

# 'মণিপুরদা নমদুনা মীকোক থিবা' - ১

- মোইরাংথেম নবকিশ্বর -

ইজরিবা আর্টিকল অসি মীকোক থিবগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খঙ-হৈজদুনা ইজবা নত্তে। থেংনখিবা খরদং থমজবনি। হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী তংদু লৈতাদবা ফীভমসিদা করিগীদমক মণিপুরদা মীকোক থিগদৌরিবনো হায়বদু ৱাখলদা মোংলকপা ৱাখল ইথিল অমা মাঙদা থমজরগা ইজবনি। মসিমক চুমগনি হায়বগী ৱাফমদি নৎচদে।

ওগষ্ট ১৫,১৯৪৭তা ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মখূত্তগী নীংখা তম্বা ফংলবা মতুংদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীকোক থিনবগীদমক 'The Census Act, 1948 (37 of 1948) কৌবা এক্ট অমা সেপ্টেম্বর ৩, ১৯৪৮দা পাস তৌদুনা শেমখি। এক্ট অসিগী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈবা মীকোকশিংগী মীশিং চহী ১০/১০ কান্নরগা মীকোক থিবা হায়দুনা পাঙথোক্তুনা লাকখি। রেকোর্দকী মতুংইন্না কুমজা ১৯৫১দা ইহান হান্না নীংখা তম্লবা লৈবাকসিগী মীকোক থিবা হৌখি। লৈবাক অসিদা হেক লৈবা/লৈরিবা মীগী মশীং থিদোকপনি। মসিদা মানা ফোরেন্নরনি, মহাক্লা মাইগ্রেন্টনি, মখোয়শিং অসিনা ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজননি হায়না তোখায়-তোখায়না খাইদোকপা লৈতে। মীতোপ খন্দোকপা হায়বসিনা তোঙানবা অমনি, মদুনা ফোরেন্নর এক্ট ১৯৪৬, মাইগ্রেন্ট এক্ট ১৯৫৮ অমদি অনৌবা মাইগ্রেন্ট এক্ট ১৯৭৭ হায়দুনা তোঙান তোঙানবা এক্ট কয়াগী মখাদা মীতোপ খন্দোকপগী থবক তৌই। কনা-কনানা লৈবাকসিগী অশেংবা সিটিজেননো, সিটিজেন নত্তবনো হায়বদুনা সিটিজেন এক্ট ১৯৫৫, অনৌবদা সিটিজেন এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯, ২০২৩ অমদি ২০২৪ মথং-মথং এমেন্দ তৌদুনা কনানা অশেংবা লৈবাকসিগী সিটিজেন ওইগনি/ওইরোই হায়বদু এক্ট অদুগী মখাদা তোঙান্না লৈজখ্রে। এক্ট অদুগী মখাদা লৈবাকসিদা মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিং হিন্দু, শিখ, বুধিষ্ট, জ্যেন, পারসি অমদি খৃষ্টিয়ান মাইনোরিটিশিং য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিং বাংলাদেশ, পাকিস্টান অমদি অফঘানিষ্টানদগী চঙলক্তুনা ইন্দিয়াদা দিসেম্বর ৩১,২০১৪ ফাওবদা চঙদুনা লৈহৌবশিংগীদি লৈবাকসিগী সিটিজন ওইবা য়াগনি অদুগী মতুংদা চঙলকপশিংদি লৈবাকসিগী সিটিজেন ওইবা য়ারোই হায়বা কয়া অমা লৈখ্রে। অদুবু মীকোক থিবা হায়বসিদদি মদুদগী খরা তোঙাল্লি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে মীকোক থিবা হায়বদুদি লৈবাকসিদা হেক লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী নুপা কয়া নুপী কয়া লৈরিবা, অঙাংনা কয়া পূন্না খঙদোক্লবনি। মীওইশিং অদুনা লৈরিবা/লৈনরিবা য়ূম্না মশীং কয়ানো খঙদোক্লবনি। মীকোক থিবদা য়াওখ্রবা খুদিংমক লৈবাকসিগী সিটিজন ওইরে/ওইরনি হায়বগী ৱা নত্তে অদুবু মীকোক থিবদা য়াওখ্রবদি মহাক অদো লৈবাকসিদা লৈবা মীদি ওইরবনি। মহাক অদো কনা অমত্তনা মীতোপ নত্তে হায়দুনা ক্লেম তৌরুদ্রবদি লৈবাকসিগী মী/সিটিজেন অদুমক ওইখিগদৌরিবনি।

ইন্দিয়ানা নীংখা তম্লবা মতুং চহী ১০/১০ কান্নরগা মীকোক থিদুনা মথং মথং লাকখিবদুনা খ্বাইদগী ইরোই লোইবা মীকোক থিবগী থবকসি লৈবাকসিগী ওইনা কুমজা ২০১১দা ওইখি। অহানবদা হাউসলিষ্টিং এন্দ হাউজিং সেন্সস (এপ্রিল টু সেপ্টেম্বর ২০১০ পাঙথোকখি মথংদা পোপ্যুলেশন ইন্যুমরেশন (ফেব্রুৱারী ৯দগী ১৮ ফাওবা, ২০১১) পাঙথোকখিবনি। (বৃটিশনা ইন্দিয়াদা পাল্লিঙৈ মতম অরিবা রেকোর্দকী মতুংইন্নদি লৈবাকসিদা ইহান হানবা মীকোক থিবা হৌখিবসি কুমজা ১৮৭২দা হৌখিবনি মদুগী মতুংইন্না কুমজা ২০১১দা থিখিবা মীকোক থিবসি ১৫রক শুবা মীকোক থিবনি হায়) মতমদুদা ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিং অসি চাওরাক্লা ১.২১ বিলিয়ন ওইখি। (রেকোর্দকী মতুংইন্না ১,২১০,৮৫৪,৯৭৭ ওইখি) চহী ১০/১০ কান্নরগা মীকোক থিবা অদুদা অপূনবা ইন্দিয়াগী মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি কুমজা ২০০১গী মীকোক থিখিবা অদুদগী পাবদা - ১৭.৬৪%দগী ১৭.৭০% ওইখি। অদুবু হায়রিবা মীকোক থিবা অদুদা মণিপুরদদি মীশিং হেনগৎপগী চাং অসি ২৪.৫০% ওইখি। অপূনবা মীশিংনা ২৮,৫৫,৯৭৪ ওইখিবনি। চহী ১০দা হায়বদি ২০০১দগী ২০১১ ফাওবদা অপূনবা মীশিং লাখ ৪,০৩,৬০২ হেনগৎলকখি। মতমদুগী দিষ্ট্রিক্ত ৱাইজ দা রেকোর্দকী মতুংইন্না মীশিং হেনগৎপগী পর্সেন্টেজ মখাদা উৎচরি ।

১) সেনাপতি - ৬৮.৯৪%

২) উখ্রুল - ৩০.৭০%

৩) তমেংলোং - ২৬.১৫%

৪) চান্দেল - ২১.৮৫%

৫) চুড়াচান্দপুর - ২০.২৯%

৬) ইম্ফাল ৱেষ্ট - ১৬.৫৬%

৭) থৌবাল - ১৫.৯৪%

৮) ইম্ফাল ইষ্ট - ১৫.৫১%

৯) বিষ্ণুপুর - ১৩.৯৩%

অদুগুম্বা সেন্সস অদুদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী (মতমদু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ত খাইদোক্ত্রি) সব-দিভিজন খরদা পোপ্যুলেশন গ্রোট কা হেন্না হেনগৎলকপদগী খুদম ওইনা পাওমাটা সব-দিভিজনদা ১২২.৬৪%দা মীশিং হেনগৎলকপা অমদি পুরুল সব-দিভিজনদা কা হেন্না ১৬৮.৭৪%কী চাংদা চীংদা কা হেন্না মীশিং হেনগৎলকপা, মরম শুকচা চাদবা চহী অমদা নুপা অমগা নুপী অমগনা অঙাং ৩/৪,৩/৪গী চাংদা পোকপগী থৌদৌদু হূই-হৌদোংসু নত্তনা চৎনবা য়াগদবা নত্তে। অদুগুম্বা সেন্সস অদু চৎনহনবা য়ারোই অমুক হন্না মীকোক থিগদবনি হায়বগী কেস সুপ্রিম কোর্ট ফাওবা য়ৌনখ্রিবনি। মদু লৈনা লৈনা চহী ১০ অমুক লৈরগা কুমজা ২০২১গী মীকোক থিগদবা অদুদি কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈবাকসিদা মীকোক থিখিদে।

লাক্লিবা কুমজা ২০২৭ অসিদা ইন্দিয়া/লৈবাকসিগী মীকোক থিগদৌরি। মসিদা মণিপুরসু য়াওগদৌরি। মণিপুরগী ওইনা হন্দক চহী অসিগী মীকোক থিবগী হাউজলিষ্টিং এন্দ হাউজিং সেন্সস অসি সেপ্টেম্বর ১দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়দুনা ওর্দর থোকখ্রে।

([Published by Authority - Manipur Gazatte Extraordinary No. 343, Imphal, Monday March 23, 2026 (Notification dated 23rd March, 2026 by N. Ashok Kumar, Commissioner (Home) Govt. of Manipur)]

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না পোপ্যুলেশন ইন্যুমরেশননা ওগষ্ট ১৭তগী ৩১, ২০২৬ ফাওবদা পাঙথোক্কনি হায়রি। অদুগা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা মার্চ ১দগী ৩০,২০২৭ ফাওবদা রিভিজন পাঙথোক্লগা অপূনবা লৈবাকসিগী মীকোক থিবগী মশীং পুথোক্লবা থৌরাংলি।

মরকসিদা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা সী এস ও কয়ানা মণিপুরগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা কাঙলূপকী ঈরাং মরকসিদা মীকোক থিবা খুদোংচারোই, য়ূমথংনরিবা ম্যান্মার লৈবাক্তসু মিলিটরি জুন্টা (হুন্টা) লৈঙাক্কী মায়োক্তা লৈবা লালহৌবা ময়াম অমা লৈবাক অদুদা লৈবা য়াদ্রদুনা মণিপুরদা চঙশিল্লক্তুনা, খুদম ওইনা হায়রবদা পি দি এফ অমদি কে এন এ (বি) ময়াম অমা চঙশিল্লক্তুনা হান্না লৈজরম্বা কুকিশিংগা পুনশিন্নরগা কুকিশিংগী তোখায়বা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন ওইবা লম অমা পীগদবনি হায়বগী দিমান্দদা হৌজিক/হৌজিকসি চীং-তম চঙনবা য়াদনা চঙনহন্দনা থল্লিবনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা। মসিদা কমদৌনা মীকোক থিগদৌরিবনো? নমদুনা মীকোক থিজিনখ্রবদি মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপ কয়াসু চৎন-কাঙলোন কায়না য়াওশিনখ্রগনি। অদুনা মীতোপশিং অদু এন আর সী নৎত্রগা মসিগা মান্নবা মেকানিজম অমা শীজিন্নরগা মীতোপশিং হান্না খন্দোক্লবা মতুংদা মীকোক থিগদবনি হায়বসিনি। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৪১

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

ঐখোয় ঐখোয়গী ইকোকথক্তা ইঙান হেক ঙান্না উনরিবা অতিয়া (অতিয়া গুরু শিদবা)/আতিনয়া (আতিনয়া কুলুম শিনতমপা), অশম্বীদা শিদবা/শিনতমপা হায়না কৌনবা য়াবা মহাক্লা অচৎ-চত্ত থৱায় পানবা পূম্নমকশিংগা হকথেংনরিবা (হানথেংনংলিংপা) ইমা লৈমরেল শিদবী/ইমাই লৈমাইলেং শিনমতপী, অশম্বীদা শিদবী/শিনতমপী হায়না শীংথানবা য়াবা মালেম (মাইলেং) মহাক্কী লৈমায়থক্তা য়েল্লক্লিবা ঈশিং (ঈসিন), নুংশিৎ (নুংশিন) অমদি মৈ (আতিনয়াগী য়েৎ থংবা মিৎ/মৈ ওইনা শীংথানবা নুমিৎ/নুংমৈ মহাক্তগী মালেম তম্না য়েল্লক্লিবা/তারক্লিবা মহাক্কী মঙান-মৈশা) - হায়রিবা থংৱাই মাইলুম (থৱায় মরু) অহুম অদুগা, অচৎ-চত্ত থৱায় পানবা অমদি পান্দবা অনীমকপু চিংশিনবা ঙম্বা মাইলেং (মালেম) মহাক্কী শাফু (সেন্ট্রিফ্যুগেল ফোর্স ওফ দি আর্থ) হায়রিবা অদুগা পূন্না উন্নরকপা অদুনা মরম ওইদুনা হায়বদি ঈশিন, নুংশিন, মৈ, লৈপাক-লৈশা/লৈপাক-লৈহাও অমদি আতিনয়া (অতিয়া) হায়রিবা থংৱায় পোকচাং (থৱায় পোৎচাক) মঙা অদু ওইরকপনা মরম ওইদুনা মাইলেং (মালেম) লৈমাইথক অসিদা হিংনরক্লিবা অচৎ-চত্ত থৱায় পানবশিংগী মনুং চল্লিবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপ অমমমনা মখোয় মখোয়গী হিংনফম লৈফম ওইনরিবা তোঙান তোঙানবা লৈপাক অমমম অদুদা মখোয় মখোয়গী শরুক অমমমনি হায়না ফংনরিবা মায়হৌশা (মহৌশা) হায়বদি মাইলেং (মালেম) লৈশাগা মায়ওক্লনা (মায়) হৌগৎলক্তুনা (হৌ) লৈনুং অমদি লৈমায় অনীমক্তা ফংলিবা অচৎ-চত্ত থৱায় পানবশিং অমদি থৱায় পান্দবশিং অদুগা পান্নদুনা চাওখৎ-শাগৎলকপা (শা) অদুগী মতুংইন্না হায়রিবা তোঙান তোঙানবা লৈপাক অমমমগী তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপ অমমমনা তোঙান তোঙানবা খেন্নবা লোন অমমম ফংনরক্লিবনি অমদি ঙাঙনরক্লিবনি হায়বসি সাইন্টিফিকেল্লি চুমদুনতা লৈগনি হায়না খল্লি।

মথক্কী ৱাফম অসিনা ফোঙদোক্লিবদি- মাইলেংগী (মালেমগী) তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপ অমমমনা মখোয় মখোয়গীনি হায়না ফংনরিবা তোঙান তোঙানবা লৈপাক অমমম অদুদা তোঙান তোঙানবা 'মাইহৌশা' (মহৌশা) অমমম থুংনদুনা/ফংনদুনা লাক্লিবনি লোয়ননা হায়রিবা 'মাইহৌশা' অদুগী মরুমদা তোঙান তোঙানবা খেন্নবা মী কাঙলূপ অমমম অদুনা মখোয় অমমমগী তোঙান তোঙানবা লোন অমমম ঙাঙনদুনা হিংনরক্লিবনি। অদুগুম্বা লোন অমমম অদুনা লৈপাক অমমম অদুগী মমিং অমমম, লৈপাক্তুদা লৈরিবা মী, শা, ঙা, উচেক-ৱায়া, তীল-কাং, কৌজেং-হারৌ, উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল, চীং-পাৎ, তুরেলনচিংবগী মমিং অমমম লোয়ননা মিং থোনবা য়াবা পূম্নমকশিংগী মমিং অমমম - হায়রিবা মমিং অমমম অদুবু থোন্নরকই। হায়রিবা লোন অমমম অদুদগী লৈপাক অমমমগী য়ুংপানলোন (য়ুম্বাল্লোন), লৈনিং-লৈশোন (লাইনীং-লাইশোন), চাংচা-য়ুংথং (চাকচা-য়ুথক), থৌকনলোন (থৌগল্লোন), থংশিন-খাংশিন (থকসি-খাসি), পিচেৎ-লৈতেন (ফিজেৎ-লৈতেং), হনলৌ-কুংমৈ (হরাউ-কুম্মৈ), শানাই-খোন্নাইপা (শান্ন-খোৎনবা) অসিনচিংবা চৎনাইপী (চৎনবী) অশম্বীদা নাই (নাৎ) অমমম শাগৎনরকই হায়বসি অচুম্বনি। অদুম্না থোন্নরক্লিবা মথক্তা পঞ্জখিবা মমিং অমমম লোয়ননা হায়রিবা চৎনবী (চৎনাইবী)/নাৎ (নাই) অসিদা য়াওরিবা মমিং অমমম অদুগী নুংগী ৱাহন্থোক অমমম অদুগী অপূনবা ৱাহন্থোকশিং অদুনা লৈপাক অমমম অদুগী অচৎ-চত্ত থৱায় পানবা পূম্নমক্কী ঈৱাই-ঈনিং ওইনবনি। হায়রিবা ঈৱাই-ঈনিং অমমম অদুনা লৈপাক অমমমগী অকোইবগী ফীভম (ইনভাইরোনমেন্ট) হায়বদু ওইনরিবনি।

থৱায় পানবশিংগী থংওইনুংগী ঈদা (ঈ) ৱাইশিনবগা লোয়ননা (ৱাই) হায়রিবা থংওইনুংগী ঈনা পাংলিবা অদুগা পাম্নরা (ঈ) কোকনুংগী কাংচিনতা (কাচিন্দা) নিংলক্লিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন (মিংখৈলোন) অদুবুনি "ঈৱাই-ঈনিং" হায়না কৌনগদৌরিবসি। 'লোন' হায়বসি থংওইনুংগী ঈনা কাংলিবা অদুগা পান্নরা কোকনুংগী কাংচিন (কাচিন) অদুদগী হৌরক্লগা মী হায়বদুগী মচিন্দগী থোক্লকপনি, লোনগী মশক-শক্তম (মাইশন-শনতম) অদুসু মী মহাক্লা শেমজবনি, কনা অমা লাক্লগা শেমখিবা নত্তে। মরম অদুনা, অশেংবা অমদি অচুম্বা ঈৱাই-ঈনিং থোকহন্দুনা লৈপাক অমগী অকোইবা ফীভম (ইনভাইরোনমেন্ট) অমবু মাইহৌশা (মহৌশা) কাইহন্দনা লু-নান্না থমদুনা চাওখৎপা (চাওখনপা) লৈপাক অমা ওইহনগে হায়রবদি অচুম্বা অমদি অশেংবা ঈৱাই-ঈনিং পীবা অমদি থোকহনবা ঙম্বা অদুগুম্বা লোন অদুনা ওইহনগদবনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি। ময়াম্না 'চাওখৎপা লৈপাক' (সিভিলাইজদ্ কন্ট্রি) হায়নরিবা অসি মীতৈ-মৈতৈ কাঙলূপকী ইপা-ইপু ওইবশিংগী শেংলবা থংওই (থম্মোয়) অমমম অদুগা পান্নবা মখোয় অমমমগী কোকনুংগী কাংচিন (কাচিন) অমমম অদুদগী হৌরকখিবা অচুম্বা ৱাহন্থোক চেনবা লোনতা-পুতা ওইবদা মখাগী অসুম্না হন্দোকচরি। (মখা তাবা হেন্না পাক-শন্না 'লোন অমদি ময়েকতা ফোঙদোক্লক্কনি') অমগা অমগা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবগী থংওই (থম্মোয়) পান্দুনা (চা) অখঙবা অউবা হায়বদুগী ৱা ময়াম অমা (উ) কোকনুংগী কাংচিন্দা (কাচিন্দা) খন্দুনা (খন) অমদি পান্নদুনা (পা) লৈরক্লিবা মী ময়াম অমনা (লৈ) পাক্লা শন্না খুন্দারিবা মফম (পাক) অদুবু 'চাওখৎপা লৈপাক' হায়রিবা অসিনি।

ইপা-ইপুশিংনা শীজিন্নরম্বা লোনগী মতুং ইনবা (লোন) ৱাহন্থোক্তগী থৈদোকখিবা লোন (থৈ) হায়বদি লোনথৈ ওইবা, অমরোমদনা, ৱাহন্থোক্তি পীবা ঙমদবা চুম্নগী খঙননবা শীজিন্নবা ৱা হায়বদি খঙনৱা ওইনা শীজিন্নবা 'চাওখৎপা লৈবাক' অসিগী মহুৎ শিনবা ইপা-ইপুগী লোন ওইরিবা 'চাওখনপা লৈপাক' হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক মতুং ইন্না হায়জরবদা মপান্থোংগী অরং-অরাক, অৱাংবা অমদি অশাংবা কন্সত্রক্সননচিংবা ফগৎপা খক অদুনা চাওখৎপা/চাওখৎনপা হায়বদু ওইবা নত্তে, মদুদি মপান্থোংগী মকে (লকজরি) অমদি দিভেলপমেন্ট হায়বদুনি। মদুনা সিভিলাইজেশন হায়বদু কৌবা য়াবা নত্তে। চাওখনপা (চাওখৎপা) হায়বসিদদি 'নুংশি চান্নবা' হায়বা অসিমা ইচেন্দা চেন্নগদবনি হায়বসি মথক্কী ৱাহন্থোক অসিনা অদুম্মক পীজবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।